# অসামদা সোনিয়া গান্ধী তরাম্না ওকখ্রে



**গুৱাহাটি, মার্চ ৩০ ঃ** বি জে পি না লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা চত্তুনা ৱাজাও ঙাংলি, মখোয়না সরকার পায়খিবা মতমদা করি তৌখিবগে, ৱাজাও ঙাংবগা থবক্কা খেন্নবা য়াম্না লৈ, বি জে পি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইরিবা নরেন্দ্র মোদিদা ওনশিল্লদুনা কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা ঙসি নোংমাইজিং নুমিত্তা হায়খিবদা, মীয়াম্না হঙ্গোইনিংঙাই ওইবা রাজনীতি তৌবা ওপোজিসন পার্টিনা লান্না ৱাশক্লিবশিং অমদি ৱাজাও ঙাংলিবা অদুদা থাজদনবা ৱার্নিং তৌখি।

ওপোজিসনশিং মরুওইনা বি জে পি না লৈবাক অসিগী মফম খুদিংমক্তা চত্তুনা ৱাজাও ঙাংলি। মখোয়না সরকার পায়বা মতম অদুদা করি তৌবা ঙমখিবগে হায়নসু হংখিবগা লোয়ননা ৱাজাও ঙাংবগা থবক্কা খেন্নবা য়াম্না লৈ হায়না অসামগী লক্ষিমপুর সহরদা পাংথোকপা মীখলগা মরী লৈনবা রেল্লি অমদা কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা ফোংদোকখ্রে।

বি জে পি অমসুং মখোয়গী লুচিংবশিংনা হঙ্গোইনিংঙাই ওইবা মওংদা রাজনীতি তৌরি। পার্টি অদুনা ৱাজাও ঙাংদুনা ৱাশক কয়া শক্লিবা অদু থাজরোইদবনি। মীয়াম্না মশাগী ওইবা ৱাখল্লোন্দা থবক পায়খৎপগা লোয়ননা কংগ্রেস পার্টিবু শৌগত্তুনা পার্টি অদুগী কেন্দিদেটশিংদা ভোট পীননবা হায়খি।

অমরোমদা, কংগ্রেসনা লৈবাক অসিবু মপাঙ্গল কনখৎহল্লি। পার্টি অদুনা কৈদৌনুংদা অরানবা ৱাশক শকখিদ্রি। মখোয়না ৱাশকপা হায়ববু মীয়ামগী খুত্তা শক্তি লৈ। অদুগুম্বা খুৎশিং অদুনা চাউখৎহনগনি হায়বসিনি হায়খি। ইং ২০০৯ গী মেনিফেষ্টোদা য়াওখিবা থৌরমশিং মপুং ফানা পাংথোকখ্রে। মদুমক ইং ২০১৪ গী মেনিফেষ্টোদসু পাংথোক্কনি। মখোয়না মীয়ামগী সপোর্ট দরকার লৈ হায়না ফোংদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখিবদা, ৱাজাও ঙাংবগা থবক্কা খেন্নবা লৈ। অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম্না জাতিগী ৱাখল্লোন ময়েক শেংনা খঙই। নখোয়বু কনাগুম্বা অমত্তনা লান্না লমজিংহল্লোইদবনি হায়খি।

বি জে পি দা ওনশিল্লদুনা লুচিংবী অদুনা হায়খিবদা,কংগ্রেস পার্টিনা লৈবাক অসিগীদমক কখোকপগা লোয়ননা ঈ পীরি। নাকল অমরোমদা মখোয়গী পার্টিনা সমাজ অসিবু মচেৎ কয়া থোক্লা খায়দোক্লি। অসামদা লৈরিবা কংগ্রেস ৱার্করদা নত্তনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা কংগ্রেস ৱার্করশিংনা মখোয়গী পুন্সি নীংতম্বা ফংদ্রিঙৈগী মমাংদগী কখোক্তুনা লাক্লি। নীংতম্লবা মতুংদসু লৈবাক অসিবু শেমগৎনবগীদমক কখোক্লি হায়খি।

# য়াসৱন্ত সিংহনা চিতম্বরম্বু শেল থুমগী ফিভম লৈখা তাহল্লি হায়না মরাল শিখ্রে

**নিউ দিল্লি, মার্চ ৩০ ঃ** বি জে পি গী সেনিয়ার লিদর য়াসৱন্ত সিংহনা ঙসি ফাইনান্স মিনিষ্টরবু লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভম লৈখা তাহল্লি হায়না মরাল শিবগা লোয়ননা পোৎকী মমল হেনগৎপা, শেল থুমগী ফিভম অমসুং থবক পীবগী মতাংদা ৱাহং ১৮ হংখ্রে।

মহাক মশামক হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর অমনি। লোয়ননা মহাক্না ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইবা থা মরিগী মনুংদা শিংথাবা য়ানা শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনখি। মদু এন দি এ সরকারনা লৌখৎখিবা থৌরাংনি। অদুগুম্বা থৌরাং অদু য়ু পি এ সরকারনা লৌখৎতে হায়না মরাল শিরি।

মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখিবদা, মতম অদুদা উৎখিবা থৌওংশিং অদু মহাক্না খঙগদবনি। য়ু পি এ সরকারনা চহি ১০ লান্না সাসন তৌরকপনা মরম ওইরগা সরকারগী শেল থুমগী ফিভম অমুক হন্না শোকথহনখ্রে। লৈবাক অসিগী জি দি পি গী চাং অদু থংন–থংননা ক্বার্টর ৭ তা চাদা ৫ গী মখাদা লৈহনখি।

ইং ২০১৩ অমসুং ২০১৪ গী ওক্টোবর–দিসেম্বরগী ক্বার্টরদা জি দি পি রেট অদু চাদা ৪.৭ ওইখি। অদুগা মেন্যুফেকচরিং অমসুং মাইনিংগী থবক থৌরমদসু চাদা ১.৯ অমসুং ১.৬ তা ক্বার্টরদা লৈহনখি হায়না মরাল শিরক্লি।

ওইরিবা ফিভম অদু শাথিবা অমনি। অদুম ওইনমক মীওই অমগী মশাগী ওইবা ইনকম চাদা ৭, কম্যুনিটি অমসুং সোসিয়েল সার্ভিস কেটেগোরিদা হেঙ্গৎলে হায়না সরকার অদুনা ক্লেম তৌখি। মদু দাইত্বা য়াওদবা সরকার অমগী ৱাঙাংনি। লৈবাক অসিগী অশেংবা শেল থমগী থৌশিলদদি ফগৎহনবা ঙমদে হায়না ফোংদোক্লকখি।

চিতম্বরমদা এটেক চত্তবা অমা ওইনা য়াসৱান্টনা হায়খিবদা, মীওই অদুনা মীখল থেংনররোই হায়না লাউথোক্লি। মহাক্কী অদুগুম্বা খোঙথাং অদুনা লৈবাক অসিগী মার্কেটতা হৱাও তয়াম্বগী মমি তারি। ইমপ্লোয়মেন্ট অমসুং জোব ক্রেসনগী মতাংদা নেসনেল সেম্পল সর্ভে ওর্গনাইজেসন্না থিগৎখিবা অমদা এন দি এ না সরকার পায়খিবা ইং ১৯৯৯ দগী ২০০০–২০০৪–২০০৫ গী মতমদা সরকার অদুনা মীওই ক্রোর ৬ লোমদা থবক ফংবগী খুদোংচাবা পীখি। অদুগা য়ু পি এ সরকারনা সাসন তৌবা ইং ২০০৫ দগী ইং ২০১১–১২ দা শুপ্পতংগী ক্রোর ১.৫ খক্তমক থবক পীখি হায়না ফোংদোরক্লি।

অচুম্বদু খঙমিন্নসি

## কংলৈপাক্কী নিংথৌশিং –১০

*ঙসিগী সাইন্টিফিক এজ অসিদা হিরম খুদিং সাইন্সনা প্রুফ তৌবা ঙাক্তা চুমগনি হায়বসি চুমদুনা লৈরবসু সাইন্সনা প্রুফ তৌবা য়াদবা হিরমশিং লাল্লি, অচুম্বা ওইদে হায়রুবদি য়াদে। সাইন্সনা প্রুফ তৌবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈবা হিরমশিং মণিপুরদা অচুম্বা ওইনা লৈবা কয়া য়াওরি। মণিপুর কংলৈ লৈকোইপুং চীংলৈবাক অসিগী পুৱারীসু, হৌজিক হেক্তা সাইন্সনা প্রুফ তৌবা য়ারোইদবা মওং অমদা, মতমদুদা লাইগা মীগগী মরক্তা শাগৎখিবা লৈশেমলোনগী ৱারীনি। অদুবু কলমসিদা কংলৈপাক্কী ৱারী খজিক খজিক ৩৩ এদিদগী হৌরগা লৌখৎপনি। খৃষ্টগী মতুং হায়বদি ৩৩ এদি অসিদা মতমদুদা কংলৈপাক্কী কোন্নচক (কলি) কী কুমশিং (চহি) ৩১৩৫ শুরে। ৩৩ এ দি দা পানখিবা কংলৈপাক্কী নিংথৌ অসি নোংদা লাইরেন পাখংবানি। নোংদা লাইরেন পাখংবদগীনা নাউখম্বা ফাওবা নিংথৌ তরেৎ অসি মখোয় মখোয়গী শিম্বা লোয়রগা মাংখি। ৩৩ এ দি দগী ১৫৪ ফাওবা চহি ১২০ নিংথৌ ওইখিবা নোংদা লাইরেন পাখংবসি কমদৌনা কংলৈপাক্তা শাফোংলকখিবগে খঙমিন্নসি।*

***উরা কোন্থৌবা** (খৃঃ ৫৬৮–৬৫৮) ঃ খৃষ্টাব্দ ৫৬৮ দা মৈদিংঙু উরা কোন্থৌবনা মৈতৈ লৈবাক্কী নিংথৌ ওইখি। মহাক্না পানবা মতমসিদা শেলোই লংমাইগী লুচিংবা অচোং য়ুমলেম্বনা মরুপ মপাং শাগৈ নাতৈদা নত্তনা মীয়াম খোল্লগা মৈতৈ লৈবাক্তা লান্দানবগীদমক্তা চাক খাংদুনা লানগী শেম শারে পাউ তাবদা উরা কোন্থৌবা মখ্বায় ৱারম্মী। নিংথৌনা লৈবাক্কী অঙম্বা থাদুনা লান শোল্লবগী মহুত্তা নচা ইচা পীনরগা চারৌ মৌরৌনদুনা ঙাই শেল ওইনরগা অঙম অঙম্বা মতেঙ পাংনদুনা পানমিন্নসি হায়জবদু য়ানরদুনা মজাইবুঙো নুউথিংখোংবু শেলোই লংমাই চনু পেতঙা লিকলু লৌথিবীগা লুহোংদুনা শেলোই লংমাইদা মতম খরা য়াওং ইনহন্দুনা লৈহনখি। মতম খরা লৈরগা নোংমা শেলোই লংমাই মীয়াম্না মখুত্তা খুৎলায় পায়রগা খুনফম ঙাংচেং হাওকপ চীংশাং লোই চনগদবগী লাক্লম্মী। মৈতৈ নিংথৌগী মনাই নুংবান কতেম শোয়শঙবনা নিংথৌগী ঙায়োক হৈঙাং পাত্তা লু থুমদুনা ঙা ফারিঙৈদা শেলোই লংমাই মীয়াম্না লান লাকপদু উবদা কিরদুনা মশাদা ঙা অপুম্বা তৈশিল্লগা নিংশা শোর পিক্লা হোন্দুনা উপ্পা হিপ্তুনা শিশিন্নদুনা লৈরে। শেলোই লংমাই মীয়াম্না কতেম শোয়শঙববু শিরৱা শিদ্রিবরা খঙনিংদুনা মখোঙদা কাওদুনা য়েংলম্লগা চৎখি। শেলোই লংমাইশিংনা চৎখ্রবদা শিশিন্নদুনা লৈরিবা কতেম শোয়শঙবনা চেল্লক্তুনা মবুঙো উরা কোন্থৌবা নিংথৌদা কপ্তুনা হঙ্গৎচৈ। মনাইগী ৱাদু তাবদা নিংথৌ পুক্লিংদা ৱারৌরে। ঐগী ইনাইনি খঙনা খঙনা মখোঙনা কাওদুনা থিনা তৌবিবদু ঐবু উশিৎ থওইদদুনা তৌরিবনি খল্লদুনা মৈতৈগী অকল অথৌ ময়াম কৌশিল্লগা মীনুংশি খঙদবা শেলোই লংমাইশিংনা লান হল্লকপদা লম্মখাংদা লুল্লগা হাৎলু য়াথং পীরক্লে।*

*– মখা মথং মথং*

# ইন্দিয়াগী ঙামীশিংদা শ্রীলঙ্কান নেভিনা কোল্ড ড্রিঙ্ক পীথকখ্রে

**রামেশ্বরম, মার্চ ৩০ ঃ** কাচাথিবুর মনাক্তা ঙা ফানবা হোৎনখিবা ইন্দিয়াগী ঙামীশিংবু অঙকপা মওংদা ঙসি শ্রীলঙ্কাগী নেভিগী মীওইশিংনা মফম অদুদা ঙা ফাবা য়াহনবতা নত্তনা কোল্ড ড্রিঙ্কস অমসুং অথুম অঙাওশিং পীজ–পীথকখ্রে।



ঙা ফাবশিংগী এসোসিয়েসনগী লুচিংবা ইমেরিটনা ফোংদোরকপদা, পালক ষ্টেটকী মনুং চনবা মফম অদুদা ঙা ফাখিবা রামানথাপুরম অমসুং জগদাপটিনমদগী ঙা ফাবা মীওইশিং অদুবু শ্রীলঙ্কাগী নেভিগী মীওইশিংনা থৌজাল হৈবা উৎলকখি।

শ্রীলঙ্কাগী জেলদা ফাজিন্দুনা থম্লম্বা টামিল নাদুগী ঙা ফাবা মীওই পুন্নমক থাদোকখ্রবা মতুং নেভিগী মীওইশিং অদুনা মরুপ মপাং ওইবগী মতৌ উত্তুনা ঙামীশিং অদুগী মনাক নক্না চংশিল্লকখি। ইং ১৯৭৪ দগী শ্রীলঙ্কাগী নেভিনা ইন্দিয়াগী ঙামীশিংদা তত্তনা এটেক চত্থরকপগী থৌদোক থোকখিবা লৈখি। শ্রীলঙ্কানা টামিল নাদুগী ঙা ফাবা মীওইশিংবু মখোয়গী ঈশিংগী লমদম লানশিল্লক্লে হায়দুনা কয়ারক হন্না মরাল শিবগা লোয়ননা ফাজিনবা লৈখি। অদুম ওইনমক ঙা ফাবা মীওইশিং অদুনা মখোয়না ঙা ফারিবা মফম অদু ইন্দিয়াগী লমনি হায়না ফোংদোক্তুনা লাকখিবনি।

শ্রীলঙ্কাগী প্রসিদেন্ট মহিন্দা রাজাপক্সানা ইরাই নুমিত্তা শ্রীলঙ্কাগী কষ্টদিদা লৈরিবা ঙামী ৯৮ থাদোকখিনবা য়াথং পীখি।

ইন্দিয়ানা ঙামীশিংগী হক মৎলে হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফমশিংদা য়ু এস না য়ু এন গী রিজোলুসন মতুং ইন্না শৌগৎলকখিবগা লোয়ননা কলম্বোনা ঙামীশিংগী হক ঙাকপগী খোঙথাং অদু লৌখৎলকখিবনি।

# বস মথক মখা ওনবদা ৪ শিরে, ২৪ শোক্লে

**জয়পুর, মার্চ ৩০ ঃ** রাজস্থানগী সিটোরগর – কোটা হায়ৱেদা ভোলভো বস অমা মথক মখা ওনবদা অঙাং অমা য়াওনা বস অদুদা তোংলকখিবা মীওই মরি শিরে। ২৪ না অশোক অপন নংখ্রে।

লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদি, জমনাদাস (৫৭), বিওন্দ (৩২), রাজপাল (২২) অমসুং থা মঙাখক্তা ঙাইরিবা খুসবুনি হায়রি। মখোয় থংনবা ষ্টেট অমা ওইরিবা উত্তর প্রদেশতগী লাকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুদা কা হেন্না শোক্লবা পেসেঞ্জর মঙা চিটোরগরদা লৈবা গভর্নমেন্ট হোস্পিতালদা লায়েংনবা পুখ্রে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোংদোরক্লি। অদুগা কা হেন্না শোক্তবা মীওই ১৯ দি ফাষ্ট এইদ পীখ্রবা মতুংদা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়রি।

রাজকোটতগী কান্‌পুর তম্না লাকখিবা বস অদুগী ড্রাইভর অদু এক্সিদেন্ট অদুগী মতুং মফম অদু থাদোক্তুনা চেনখি। পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না খুদোংথিবা থৌদোক অদু করম্না থোকখিবনো হায়বা চপ চাবা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক ড্রাইভর অদুগী অশোয়বা অমনা মরম ওইরগা থোকহনখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনরি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিনবগী থবক চত্থবা হৌখ্রে হায়না পুলিস ওফিসার অমনা ফোংদোরক্লি।

# য়ু পি গী চিফ মিনিষ্টরদা চম্পল লংশিনবা নহা অমা ফারে

**ঘাজিয়াবাদ, মার্চ ৩০ ঃ** গজিয়াবাদকী কবি নাগর গী মনুং চনবা রামলিলা গ্রাউন্দদা পাংথোকপা রেল্লি অমদা শরুক য়াখিবা উত্তর প্রদেশকী চিফ মিনিষ্টর অখিলেস য়াদবতা চম্পল লংশিনবা চহি ২৫ রোমতা ঙাইরিবা নহা অমা পুলিসনা ফাজিনখ্রে।

থৌদোক অদু ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং অখিলেস য়াদবনা রেল্লি অদুগা মরী লৈননা মীয়ামদা ৱা ঙাংলিঙৈদা থোকখিবনি। নহা ওইরিবা মীওই অদুনা মহাক্কী ফম্ফমদগী হৌগৎলকপগা লোয়ননা মহাক্কী মখোঙদা তোংবা চম্পল অদু য়াদব তম্না লংশিল্লকখি। থৌদোক অদু নহা ওইরিবা মীওই অদুনা মহাক্কী লম আইন কায়না লৌশিনখিববু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা চত্থরকখিবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক মীওই অদুনা লংশিল্লকখিবা চম্পল অদু য়াদবনা লৈরিবা মফম অদুদগী চখোক্লগা লৈবা মেদিয়া গেলেরিদা তাখি। পুলিস ওফিসিয়েলশিংনা মফম অদু অকনবা মওংদা ঙাক শেনখিবা মফম ওইবনা নহা অদু নমদুনা ফারবা মতুং পুলিস ষ্টেসন্দা পুরকখি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা মখা তানা থিজিনবগী থবক চত্থবা হৌখ্রে হায়রি।

# ইলেক্সন কম্মিসন্না ওপিনিয়ন পোল থিংবা লৈতে, সেন্টরনা আইন শেম্লকপা পাম্লি

**নিউ দিল্লি, মার্চ ৩০ ঃ** ইলেক্সন কম্মিসন্না ওপিনিয়ন পোল লাউথোকপা নত্রগা ফোংদোকপগী থবকশিং লাক্লিবা থা খরসিদা অথিংবা থম্বা পাম্লি। লো মিনিষ্ট্রিদা হায়খিবদা, কন্সটিট্যুসন্না পীবা শক্তিগী মতুং ইন্না মখোয়না অদুগুম্বা খোঙথাং অদু লৌখৎলোই। অদুম ওইনমক সরকারনা ইসু অসিগী মতাংদা আইন অমা শেম্‌দুনা পুথোকপা পাম্মী হায়না ফোংদোরক্লি।





লো মিনিষ্ট্রিনা আর্টিকল ৩২৪ গী মতুং ইন্না মীখলগা মরী লৈনবা পেন্নেলশিংনা মখোয়গী শক্তি শিজিন্নদুনা ওপিনিয়ন পোল থিংবা য়াই হায়না ফোংদোকখিবগী হেক মতুংদা ঙসি ইলেক্সন কম্মিসন্না মখোয়গী ওইবা ৱাফম অদু ফোংদোরকখিবনি।

কম্মিসন অদুনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা, সরকারনা চপ চাবা আইন অমা শেমদুনা পুথোরকপনা খ্বাইদগী ফবা ওইগনি হায়না ফোংদোরক্লি। আর্টিকল ৩২৪ গী মতুং ইন্না ওপিনিয়ন পোল থিংবা হায়বদু আইনগী মীৎয়েংদা চুনবা অমা ওইদে। কম্মিসন অদুনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা লো মিনিষ্ট্রিনা এক্সিট পোলদা আইনগী মতুং ইন্না অথিংবা থমখি। মদুগা মান্ননা ওপিনিয়ন পোলদসু থবক লৌখৎকদবনি।

মীখলগা মরী লৈনবা পেন্নেল অদুনা পুখৎলকখিবা ৱাফমদা লোক সভা অমসুং ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখলশিং লোয়দ্রিঙৈগী মমাংদা মীখল অদুগী ফল ওপিনিয়ন পোল ওইনা লাউথোকপা নত্রগা ফোংদোকপদা অথিংবা থম্নবা হায়রি।

হৌজিক লৈরিবা আইন অসিগী মতুং ইন্না ইলেক্সন কম্মিসন্না ভোট পাংথোক্কদবা নুমিৎকী মাংওইননা পুং ৪৮ গী মমাংদা ওপিনিয়ন পোল থিংবা ঙম্মী। চহি অসি হৌরকপদা এটোরনি জেনরেলনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা পুখিৎলক্লিবা মীখলগী থবক থৌরমশিং লোইদ্রিঙৈদা ওপিনিয়ন পোল তৌদুনা ফোংদোকপা নত্রগা লাউথোকপা থিংগদবনি হায়বা ৱাফম অদু শৌগৎখি।

ইলেক্সন কম্মিসনগী মীৎয়েং অদুবু শৌগৎলদুনা এটোরনি জেনরেল মমাংদা এক্সিট পোল থিংখিবগী ৱাফম ফোংদোরক্লি। চৎলিবা চহি অসিগী ফেব্রুৱারী ২৮ দা ইলেক্সন কম্মিসন্না মীখলগা মরী লৈনবা ওপিনিয়ন পোলশিং অথিংবা থম্নবা আইন শেমদোক্নবা পুখৎলকখিবা লৈখি। অদুম ওইনমক হিরম অদুগী মতাংদা ঙসি ফাওবা থবক অমত্ত পায়খত্তনা লৈরি হায়রি।

# মহারাষ্ট্রগী মৈ চাকপগী থৌদোক্তা ইমুং অমগী মীওই ৭ শিরে

**অমরাবতি, মার্চ ৩০ ঃ** মহারাষ্ট্রগী পরটাৱারা খুঙ্গংদা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা থোকখিবা মৈ চাকপগী থৌদোক অমদা তুমদুনা লৈবা ইমুং অমগী মীওই ৭ শিরে। পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না মৈ চাক্লিবা য়ুম অদু দুকান অমা ওইনসু চল্লাইবা মফমনি হায়রি।

মৈ চাকপগী থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ২.৩০ রোম চৎপদা থোকখিবনি। য়ুমদা হাংবা সারি য়োনবা দুকান অদু গোথাৱালগী ইমুং মনুংনা লৈবা মফমনি হায়না পারাটাৱারা পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসার অশোক ইনগলনা ফোংদোরক্লি।

অহানবা ওইনা থিজিনবদা মৈ চাকপগী থৌদোক অদু ইলেক্ট্রিক শোর্ট সার্ক্যুইটতগী থোকপা ওইরম্বা য়াই। সারি অমসুং শেৎনবা ফিরোল কয়া পৈদুনা থম্বা মফম অমদগী মৈ অদু হৌরকপা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজরি। গোথাৱালগী ইমুং মনুং অদু মতম অদুদা তুমথখিবনা মরম ওইরগা নাম্থোকপা ঙমদনা মৈ অদুনা চাক্তুনা শিখিবনি হায়না ফোংদোরক্লি।

খুঙ্গং অদুগী মীয়াম্না মৈ অদু মুখৎনবা হোৎনবদা পুলিসতা মতেং পাংখি। অদুম ওইনমক থৌদোক অদুদা ইমুং অদুগী মীওই ৭ শিখ্রে হায়না ফোংদোরক্লি। মৈ চাকপগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদি, রবি আর গোথাৱাল (৩০), নিকিতা আর গোথাৱাল (২৫), পুনম এ গোথাৱাল (৩০), সিটল এ গোথাৱাল (২৮), ভেদ এ গোথাৱাল (৪), ভেদিকা এ গোথাৱাল (৩) অমসুং ভিমল আর গোথাৱাল (৫৫) নি হায়রি।

মহারাষ্ট্রগী নোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ৫৫ রোম চৎলগা লৈবা টিলক চোক্কী খুঙ্গংদা লৈবা সারী য়োনবা দুকান অদু মহৌশানা মী য়াম্না চিনবা মফম অমনি হায়রি।

# সুপর হারক্যুলিসকী ব্লেক বোক্স ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সনা য়ু এসতা কায়খিবগী মরম খঙদোক্নবা শিন্নখ্রে

**নিউ দিল্লি, মার্চ ৩০ ঃ** ইরাই নুমিত্তা গ্বালিওরগী নক্নবা মফম অমদা কায়খ্রবা ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী ট্রান্সপোর্ট এয়ারক্রাফ্ট সি–১৩০ জে গী ব্লেক বোক্স য়ু এস কী এরোপ্লেন অদুবু শাবা কম্পেনি লোক হিদ মরজিনদা চপ চাবা মরম খঙদোক্নবা শিন্নখ্রে হায়না ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী ওফিসিয়েল অমনা ঙসি নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোংদোরক্লি।



ফ্লাইট দাটা রেকোর্দ নত্রগা ব্লেক বোক্সকা শম্নরিবা শরুকশিং অমদি কোপিদ ভোইস রেকোর্দরগী কার্দ অমাং অতা থোকখ্রে। মখা তানা রেকোর্দিং অদুদা অমাং অতা থোকহন্দনবগীদমক ব্লেক বোক্স অদু য়ু এস তা শিন্ননবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়না ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী স্পোক্স পার্সননা ফোংদোরক্লি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা ব্লেক বোক্স অদু লোক হিদ মার্টিনদা শিন্ননবা ফ্লাইট অমনা পুদুনা চৎখি। ব্লেক বোক্সকী দাটাশিং খঙদোকপদা থেংথবা হায়বদু এরোপ্লেন অদু কায়খিবগী মরম খঙদোকপদা থেংথবনি হায়না ফোংদোরক্লি।

ইরাই নুমিত্তা কায়খিবা ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী কেরিয়ার অদু করম তৌনা কায়খিবনো হায়বদু পুং ২৪ গী মনুংদা খঙদোকফম থোকপনি।

ইরাই নুমিত্তা অগ্রাদগী পাইখৎখিবা সুপর হারক্যুলিস স্পেসিয়েল ওপরেসন ট্রান্সপোর্ট এয়ারক্রাফ্ট অদু গ্বালিওর মনাক্তা কায়খিবদা ক্র্যু মেম্বর ১ য়াওনা লান্মীগী ওফিসার ৫ শিখি।

এয়ারক্রাফ্ট অদু চম্বল তুরেলগী মপান্দা লৈবা চীংমায় অমদা থোমজিন্দুনা কায়খিবা মাল্লি। চহি মরিগী মমাংদা ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সতা শিন্নখিবা সুপর হারক্যুলিস এয়ারক্রাফ্ট সি–১৩০ জে অদু য়ু এস তগী চাউরাক্না লুপা ক্রোর ৫৭৮০ পীদুনা লৈখিবনি।

স্কৱাদ্রোন ৭৭ ভেলেদ ভাইপরনা এয়ারক্রাফ্ট অদু গাজিয়াবাদ মনাক্তা ওপরেট তৌখিবনি। মমাংদা দৌলট বেগ ওল্ডি এয়ারফিল্ডদা তারমখি। হায়রিবা এয়ারফিল্ড অদু চিনাগী ঙমখৈ পরিংদা লৈবা ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী খ্বাইদগী মরুওইবা মফম অমনি। ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী দিমান্দ মতুং ইন্না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা নৌনা অদুগুম্বা এয়ারক্রাফ্ট তরুক য়ু এস তগী লৈখি। খ্বাইদগী চাউবা লন অমা ওইরিবা এয়ারক্রাফ্ট অদু কায়খিবদা ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সতা অচৌবা নিংহন্নবা অমা ফাওহল্লি হায়রি।

লৈশেম্লেন ঝংশংলৈ রূপমহল থিয়েটর

খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রগী

"বর ইন্টরভিয়ু"

শজিবুগী নোংমা পানবা চৈরাউবা নুমিৎ

দাইরেক্তর ঃ– ও. জয়কুমার

তেংবাংবা ঃ শ্যামবাবু

তাং ৩১।০৩।২০১৪– নুংথিল পুং ৪

এদভান্স বুকিং হাংজরে

SL/B/30/31

কুঠি য়েংথোকপীয়ু

অনৌবা চহি চৈরাওবা লাকপসিদা ইমুং মনুংগী দশা লাংফম অনা অয়েক করবার থবক ইনখাংগী মরম, মহৈ মশিংগী, মচা ধরাগী, য়ুম্বালদা মহী লাংবা শান্তি লৈনদবা, লন–থুম তোয়না মাংবা অমসুং নিশা চাদুনা মতম মাংহল্লিবশিংগী মরম পুন্নমক কুঠি য়েংথোকপীয়ু।

Contact:
8414982183
8974446929
Visiting hours: 8 a.m. to 1 p.m.

Naha Panji
Kwakeithel Thiyam Leikai
Near New Water Supply

SL/1197/22Mar-5Apr

Regd. No.: 456/M/SR/2010

KIME TUTORIALS

MTG BOOKS

An Institute Collaborated with MTG Books, New Delhi
Singjamei Chingamathak, Imphal

ADMISSION OPEN FOR FOUNDATION COURSE

| | |
|---|---|
| Class XI Foundation Course, 2014 | Classes Starting on : April 2014 |
| Class XII Foundation Course, 2014 | Classes Starting on : April 2014 |

Special Features :

- Printed probable questions & answers
- Chapter wise well planned Printed study materials
- Regular test Series
- Van service & Hostel facility are available

For more details contact Office of KIME TUTORIALS